HUEIYEN LANPAO

*"পেনাগী অশৈবশিংগী অঙকপা কল্পনাগী শক্তি অমদি - মীওইপোক, মহৌশা লাইরেম্বী, শকখঙনৈ, ৱারী শানহল্লি (মরোল থোক্ত্রবসু)।"*
*- এলাংবম নীলকান্ত (হিজম গুনগী তোনু লাইজিংলেম্বী শৈথারোলগী মরমদা ইবদা)*

## ৱাকৎ মীফম

**—নিংথৌজম বিমোলা**

মফম খুদিং ফল্ল ৱাকৎ মীফম
লাওরি খোল্লাউ মণিপুরগী
শক্তম কাইবা য়ারোই হায়না
তাবীনবা কনাসু লৈতে।
লৈকায় অমদা চৎলুই ফল্লম্মী
ৱাকৎ মীফম, মণিপুরগী ঙমখৈ
কায়বা য়ারোই, য়েলহৌমী কল্লু
মণিপুরদা চৎনরিবা 'সু' লৌথোকউ
হায়না খোল্লাউ কয়া লাওখিবা
অদুবু কনানসু তাবীখিদে।
লৈরাং থম্বাল মাদি পাল্লবা ঈপাক
ঈয়াইদা লৈকা ফন্না শাৎপনি
লোক্তাক ইমাগী তম্পাক্তা
হাইনা হুন্না শাৎপনি।
ফিদা শাৎপা থম্বালদি
মকা লাম্না পাইখ্রে অতিয়াদা
পোক্লফম ইমাবু নুংশিবীদ্রে।
চীংগী চীংমাইদা হাইনা হুন্না শাৎখ্রে।
পলেম ইমা অপোকপী য়েলহৌঙৈদগী
লৈরকপা নপারি নমোম ঐখোয়গী
ইরমদমসে মিকপ-মীরাওখোলতনা
নিল্লে মালেমসে, ঈগী লৌখোং চেল্লে
খাম্বী মৈখুনা থল্লে তম্পাকসে
নপারি-নমোম ঐখোয়গী ইশাদা চেল্লিবা ঈচেলনা
কংদ্রিমখৈদি শোক্লখিগনি হনবা লৈতনা
লান, কনখিগনি ইমা লৈবাক মণিপুর।

## থোক্কীদগী কিসি

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

অয়েংবা মীগী থম্মোয় হুরম্বা
চাক্লম্বা লাম্নৈ অথাপ্পা চীংদা
অনকপা মফমদসু চাক্লক্লে
লাওনা খোংনা ঙুং ঙুং
নমথীরবা মালংগী শাহুমদা
হেন্না হেন্না মৈচাক ফগৎলক্লে
মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওনখিদুনা
লাক্লা ফানবা ঙম্লক্ত্রে ঙসিদি।
অয়ূক নুংথিল নুমিদাং
লেপ্তুনা চাকপা মৈরিলক্তা
পুমঙান ঙাল্লে কোরৌসে
ইচিক হুল্লবা অহিংদা
মেংনা থোক্লম্বা থাজসু
মৈশা ওইনা ফাওহল্লক্লে
থৱান পরেং পরেংসু
ৱারৌরমাল্লে তূমিন লৈখ্রে।
কংলৈ পারি অথৌবশিং
করিগী মীকপ থোক্ত্রিবনো
ফুদিত্তা মাঙজোং চোংবদি
অনম অহা চুখ্রবনরা
অরেং অরেংবদা পুখবদি
করি থমাইবা য়াওখ্রবননো
লংলা লংজিন মাঙখ্রবরা
থোক্কীদগী কিসি তাখ্রবরা?

## পলেম ইমাগী থৱায়দদি কলহৌসি

**—রন্ধির থিয়াম**

চৎলো চৎসি সেন্টরদা ময়াম
পলেম ইমাগী থৱায়দদি কলহৌসি
ইন্দিয়াগী মায়খুম হাংবা হৌরক্লে
ময়েক লাবা অসুম হেনগৎলক্লে
মাগী মাগী পাট্রা পুথোরক্লে
যূম্বু যূম্বু খনগৎতুনা কৌখৎলক্লে
মাগী মাগী অমিনসু থাধনখ্রে
নঙগীনা কদায়ফাও, মাগীনা কদোমফাও
ময়েক অসুক শেংনা ৱাখৈনরক্লসিফাও
করিগী লৈখিগনি তূমিন তূমিন
করি অমুক ঙাইখিগনি নেতাশিং
ফোৎচিনখ্রবা চিন্দা মাস্ক উপ্তুনা
তুংবুন্নখ্রবা খূৎ লোৎল লোৎলদুনা
করি অমুক য়েংখিগদবা ৱাৎলিবগে?
করি অমুক হায়রকপা ঙাইখিগদগে?
পুকফবী পলেম ইমা মণিপুরসে
য়োংনা তল য়েনবগুম য়েনখিদ্রিঙৈ
চৎলো চৎসি সেন্টরদা ময়াম
শ্বাইদা লাও-খোংবনা কান্নবা ফংলোই
ইন্টরনেটসু লৈত্রবা লমদমসিদা কৈদৌরুনি
মালেম শীনবা থুংনা খঙহনসি
পজেং ফিরাল পায়দ্রিফাও হল্লোইসি
পলেম ইমাগী থৱায়দদি কলহৌসি।

## হিংবগী হক মৎপীখ্রবশিং

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

ৱানা তাঞ্জবা মরল মথুম
মতম চঙনা শাজখিবা ময়ূম মরানয়াই
ৱানা শুজদুনা হাপচখিবা
থল্লবা ফৌগৈ
পুন্নমক উৎ ওনখ্রবা
চেল্লকখিবা মশাদা হিংনবা
লৈরিবা শাইদাংদুনা
তোঙান তোঙানবা মফমদা
করম লেনগদবা
মখোয়গী তুংগী পুন্সিনা।
মীনুংশি য়াওদ্রবশিংগী
খুজিল থৌরাংনা
লানপুং ওল্লে ঙসিদি
চীংনা কোয়না পনশাবা
চীংমীনা কোয়না পনঙাকপা
ইমা লৈবাক কংলৈপাক।

## অশিবনা অশিববু হাৎলি

**—এম নিলকুমারি**

নুংশি লম্বী লম্মুক্লখরে
　　মৈরা পরেংগী শক্তি মাঙখ্রে,
হে অকনবা অথৌবা অহেনবা
　　হেন্দুনতা লৈরগদবা
মঙলাক্লরে লৈনম নুংশিরবা
　　তাইবঙ লৈকোল।
শিরগদবা তাইবঙগী থৱায়
　　অশিবনা অশিববু
　　অমুকসু হাৎতোক্লি
অশিবনা অশিববু হাৎলি মনিং তম্না
　　উচেক জুরা পাইখিদরে
শিরবা থৱায়গী ওনখ্রে ঙম্নমক
　　লমগী চেক্লা-লমখুনু
নীংবা কায়না খোম্থাং হাপ্না শৈশক্লি
　　অকংবা উপালগী
　　অকংবা উশাদা য়ারেক্তুনা
নুংশি নুংওনগী ইরিক অমত্তং ফংদবদগী
　　অঙম্বা ঙমদবা লৈত্রমাল্লে
মালেম ইমাগী মতম্বাক্তা
　　ইমাগী শমলাং মচোয় মচোয়নখ্রে
　　নুংশি লম্বী লম্মখাংদা
পিরাংগা ইরোয়ননা লম্বী লমহাংনখরে
　　অচুম্বসু মাঙখরে
　　অরানবসু ককঙাওনরে
　　হে মীওইবা।

## অরুবা অঙ্ক

**—আর কে বুধিমন্ত কার্টা**

নুপা অমনা অঙ্ক অমা হোৎলি,
মীওইবা খুন্নাইবু কন্নবা,
ওজাগী মতেং য়াওদনা
লুরমাল্লে তশেংনা লুরমাল্লে
ফোর্মুলা য়াওদনা হোৎলুবা অঙ্ক ওইবনা
ফল তাবা ঙমদ্রে,
হৌজিক করম তৌরগা হোৎকনি,
নুপা অদু মথা শাই,
মীচং শঙ্গসু শেমহৌদে,
লানগী পোরমসু শিলহৌদা
লান হান্না লাওথোক্লবদগী
লৈরুমদা ঙাওজবা মহাক্লসু চানবীদ্রবরা?
নৎত্রগা লান্দারক্লিবগী মীচংলা?
হৌজিক্তি ৱা ঙাঙবসু ঙমহন্দ্রে,
খূৎ অনীমকসু পুনশিনবীরে
নুপা অদু হৌজিক মাগী চৌক্রিদা
তূমিন্না ফমদুনা ৱাখল শুংলি
মীচম প্রজাবুনা অশাবা খাং মথক্তা
ঙৌরগা থম্বগা পাংখকনি!!

## লমদম তামখ্রবশিং অদুদা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐগী ৱাখলদগী
ইহৌরক্লিবা নীংশিংবগী
অৱা-নুংঙাই খরা অসি
ইরৈচাশিং অদুনা খুন্দা লৈতাদুনা
লৈরিবা মফমদসু য়ৌহনবা
ঙমজবা অসিদা
ঐনা কয়াদা নুংঙাইজরিবা।
ইরৈপাক ইরমদম পোক্লফম লমদম
অসিদগী হেন্দোক্তনা লৈরম্বদো,
কোরৌগী মৈশানা ফংলকপদা
মৈশা খরা লাংলকপগুম,
য়ৌখ্রসনু ইরৈচাশিংগী মফমদা
ঈগী মরী তৎতনবা।
য়ৌখ্রসনু ৱাখলগী
ইচেল অসে,
ইপা, ইপুশিং অদুনা
থনল্লবা মরমদম
অদুদা খুন্দা লৈতাদুনা
লৈরিবশিং অদুগী মফমদা।

## পলেম ইমাগী তেংথাখোল

**—অয়াম ইবেতোম্বী**

হিনা বেরা তৌবনে
ইরাওখোলনা কনবনে
ইচানা ইচা কপ্পনে
শগোল্লাই উট্রীনা পাথবনে
কালেন' নুংশানা শাবনে
চীংগী মৈশানা মৈৱায়বনে
পলেম নমা ওইবীদি
করি' তৌফম খঙদরে।
করি' তৌফম খঙদরে।
অমদা থেমই য়াদরে
অমদা থেমই তাদরে
ঐবু কৈদৌ হায়বনো
ঐবু কৈদৌ হায়বনো!!
নখোয়বু চাউনবা য়োকপদা
ঈরু-ঈয়াং কেল্লবদা
নমাগী হকচাংমক্তদা
মচি মচি মৈ থাবা!
পাঙ্গল কল্লে তাকপরা?
ৱারক চেৎপা পম্ভৌ অমত্তং
লৈরমদুনা, মহাক্লা
ৱাতেম্বীরল্লবদি খঙগদবনিকো
শরিসো!!

## লৈ-না

**—মাইস্নাম বীষেশ্বর**

তাইবঙ থাদোক্লা চৎখ্রগা লোইরগা
মতুংদা লাকইবা অনৌবা মীরোলশিংনা
লৈঙাকপা ফোটো মায়থোঙ শকফমদা
লৈ-না অমবু কৎপীগদ্রা?
লৈঙাকই মমিংতং ঙাইহৌবা
অফবা শরুক্লা মমি শামখিবা
লৈঙাক খুর্জি অথিবা থবক
মশাদগী খূৎচাউ থানা মাঙ থারুবা
শিঞ্জবা পোরম্না ওইজরে
লৈঙাকপগী ৱাহম্থোক্লা কদোমদা
পায়রম্বা চহী ৫/১০ ফম্ফমনা কদাইদা
চাওখৎপগী থৌরাং কয়াৎশিং ফজদবনা মহুৎ শিল্লুবা
লৈবাক মীয়ামশিংনা শক্লা শোন্নবিগদ্রা?
ইশাদা ইকায়বগী লম্বী ফংঙোইদ্রা?
লৈবাক মীয়াম্না নোক্লবিরোইদ্রা
ঈশিং ঈমাইদা লৈতুম হুম্ববগা মান্নরোইদ্রা
ফংগদ্রা বেব্যহার মচেৎ অমবু ইশাদা
খুন্নাইসিগী থৌদাং য়ানীংলুবা মসিরা
তাইবঙসিদা লাক্লম্বগী খুদমদি
লুপখ্রে মাঙজখ্রে ফিদম মহয়।

মতম মতমগী ৱাখল

# লমদমসিদা নার্কো টেরোরিষ্ট !

'নার্কো টেরোরিষ্ট' ৱাহৈ অসি ঐখোয়না লায়না লৌবা য়াদ্রি। মতম অমা ঐখোয়না হিন্দি সিনেমাদা য়াম্না তোয়না উখিবা ড্রগ ললোনবগী গেং খুৎপু থেংনবগী ৱারীশিং- প্লেনদা সমুদ্রগী জহাজ লম্বীদা লোন্না পুশিল্লকপা হিরোইন, নম্বর ফোর, অমদি অতৈ আইন্না য়াদবা কয়াগী ৱারীদা শাগৎপা ফিল্মশিং উখিবদুমক, ঙসি অশেঙবা তাইবংদা মণিপুরদা থেংনরক্লি। উবা ফংলক্লি। মণিপুর অসি ম্যানমারগা তাইনবা লমদমনি। ম্যানমার করম্বা লৈবাকনো। মখোয়গী শেন-থুমগী ফিভম অমদি লমদম অদুদা করম্বা লৈঙাক্তা মীয়াম্না হিংলি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না খঙনরি। ঙরাং নহালতনি ম্যানমার লৈঙাক্লা তকথোকলকখিবা রোহিংয়াশিংগী থৌদোক। অসিদা নত্তনা মণিপুর অমদি ম্যানমার অনীগী তাইনবদা অশেংবা কুকিসু নত্তবা মাইগ্রেন্ট ময়াম অমনা মখল মখা কয়াগী শেন্দান লম্বী চৎথরি। মরুওইনা অরোনবা খুৎশু খুৎলাই অমদি ড্রগশিং পুথোক পুসিন তৌবগী পাউসি ঐখোয়না তাখি। মাইকৈ অদোমদা পূক্লিং চিংশিনলুদবনা ঐখোয়না কয়া কূপ্না নৈনরুদে অমদি খঙলুদে। মণিপুর অসি ড্রগকী লানফম অমা ওইরে হায়বসি জেনেরেল ইলেক্সন তৌদ্রিঙৈদগী মমাংদা থোকখিবা থৌদোক কয়াদগী মীচমশিংনা তাবা হৌখ্রে। ইম্ফাল এয়ার পোর্টতগী ড্রগ ফারুবা মথৌ তৌবা এক্টিভ সর্ভিসতা লৈবা ওফিসারশিং থবক লৌথোকপা, মূক্লরকপা কয়া কয়া য়ামখ্রে। ভোট ময়াদা সাবাক ফাক্লখিবনি। কুইদ্রি ড্রগ পুরকপা মী ফারগা কষ্টদিদা থল্লবা ফাওবা মীচং সঙ্গ লৈবা মন্ত্রি শম্নবা অঙম-অথৌ শম্নবশিংগী মীনা লাক্লগা কষ্টদিদগী লৌথোকখিবা, থাদোকখিবা কয়া কয়া লৈখ্রি। ড্রগকা মরি লৈনবা থৌদোক্তা চেন্নরিবা অঙম-অথৌগী নক্লবা মীশিংদি ৱারীশিং অসি লোইনা খঙলমগনি। মতম অদুদা ঐখোয়না কনাগুম্বী ইচং থৌবী এক্টিভ সর্ভিসতা লৈদুনা মথৌ তৌখিবী অমগা মূক্লখিবা অৱায়-অখুম তৌনখিবা উখি, তাখি। মহাক্কী মীচংদা ঐখোয় করিসু খঙদবনা লেপ্পীংখি। থৌনা ফবীদু হৌজিক্কী মতাং অসিদসু থোকলক্তুনা ৱা ঙাঙহন্নীংবা পূক্লিংদা ফাওরকই। অসিগুম্বা ড্রগকা মরি লৈনবা নার্কো টেরোরিষ্ট হায়না কন্না লান্থেংনখিবসি মহাক অমনি হায়জনীংঙি। মহাক্কী মফমদগী ৱাহৈ খর তাবদা মমল য়ামগনি। মরমদি লান্থেংনখিবসি মহাক্লি। য়ারগদি মীডিয়াশিংনা ইনভাইট তৌবীদুনা খন্ন- নৈনবদা য়াওহনবীবা চুম্মী।

ড্রগকী লালোং অসিগুম্বা কয়া অসিনা হেঞ্জিল্লক্তুনা ম্যানমারগা তাইনবদা লৈবা মাইগ্রেন্ট কুকি অমদি মণিপুরগী কুকি মীওই খরগা মান্নরগা মণিপুরগী ঙমখৈদা লৈবা চীংশাংশিংদা পোপি পাম্বী থারকখি। পোপি য়ান্থৎপা চৎপদা ঐখোয়গী ভি দি এফ, সেক্যুরিটিগী মী ফারগা হাৎখিবসু কুইদ্রিবনি। শম্না হায়জরবদা ড্রগ নৎত্রগা নিশা ললোনবগী গেং খুৎ লীংখৎতুনা চৎথরকখিবা থৌরাং অসি লমদমসিদা কুইরবা অমনি। মসি লৈঙাকসু খঙলগা কনখৎনবগী মওং খরসু ঐখোয়না থেংনখি। হান্নদগী অরানবা লম্বীদা শেন তানবা হৈনরকপা মীওই কাঙলুপশিং লমদমসিদা মশীং য়ামখৎলকখি। অকক্লবা কাঙলুপ পঞ্জররোই মৈতৈসু লম্বী অসিদা অদুম য়াওরবনি। অঙম অথৌ ফাওবা য়াওবগী ৱাফমসু লৈনরি। হুরানববু হুরানবনা ফারবদি কনানা ৱায়েনগনি ? হায়দোক্লরগদি ধোরা হুরানবসু লোইনা হায়নরকই হায়দুনি। অতৌবশিংনা খঙবীরমগনি। ড্রগ ললোনবশিং টেরোরিষ্ট ওইরক্লে খুৎলাই পায়দুনা মখোয়গী খুৎপু শেমগৎলকলে। হৌজিক্তি করি থোক্লে। মীচমদা ওনশিল্লক্তুনা লান্দারক্লি।

সিফাওবসি অশম্বা ৱারীনি। ঐনা চীংনবা অমা কন্না লনাই ওইনা ফাওরি। জুন ১৮গী থৌদোক অমা লমদমসিদা থোকখি। অদুক শাথিবা থৌদোক ঐখোয়না কাওদ্রি। হৌজিক জুন ১৮ অমা য়ৌশিল্লক্লি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা থাবীরম্বা মতম অসি য়াম্না খঙনা, লাইফাও চুমহল্লগে থৌরাংবগুম্বা মানবা অমা হেঞ্জিল্লকই। মতম চুপ্পা জুন ১৮ হায়বা অমা পুৱারীদা লৈহনগদৌরিব্রা? করম্বা ৱারোয়শিন অমদা লাক্কদৌরিবগে খনবদা পূক্লিংসি তয়াং তশোইরি।

নুমিৎ ৩০ নিরোম অসি মফম শীনবা থুংনা চৎখি, মীৎনা উরকপা কয়া, তারকপা কয়ানা ৱাখল অসি পোত্থাফম খঙদনা লৈরক্লি । পেন্দ্রবা মীয়াম্না পীশিনবা মেমোরেন্দম্না টেবল মথক্তা ৱাংনা লৈরমগনি। পাবু পাবীরমগদ্রা থাজদে মরমদি অমিট সহাজিনা ঐখোয়গী ৱারী লোয়না খঙই হায়রি। অখঙবদা পীবনিনা পারমগনি থাজদে। নুমিৎ ১৫নি মতম থারমলিবসি ৱারী খঙবনা ওইরম্বসু য়াই। অদুবু অমখক্তি হংনিংঙি- কুকি টেরোরিষ্টশিংনা ঙসিসু লেপ্তুনা হঞ্জিন হঞ্জিন, নোংমৈ কাপশিল্লকপা, য়ূম মৈ থাবা, মৈতৈগী য়ুম মৈ থাখ্রবা মফমশিংদা দোজর থৌজিন্দুনা তেমখায়রি হায়বা, হুরানবা পোৎ-চৈশিং সিলচরদা লাক্তুনা য়োনবগী ফানরিবা, ব্লোকেদ তৌরিবা, চীংগী লমদা মনীং তম্না সুগী চৎন পথাপ থুগায়রগা তৌরিবা ময়াম অসিনা করিমত্তা খঙদব্রা? খরা য়াম্না নুমিৎ ১৫নি অসিদা তম্পাক্কী মীওইশিংবু ওৎহনখিগে হায়বা পীবুক নুংদা খনবীরব্রা ? ময়ুম মকৈ লৈত্রবা, তেংথা নাওইনরিবা ইমা ইবেনশিংগী মীকপ খোঞ্জেল অসি 'সারে জহাসে অছা' ওইনা তাবীরব্রা ?

লমদমসিগী পুকচেল চাওরবা লৈঙাকপশিংদা হংগৎচনীংবা অমনা 'শান্তি পুরকলসি' হায়বা ৱাহৈসে নুমিৎ ৩০ শুজিনখ্রবা শোরাৎ লোইখ্রবা মতমসিদা মপুরোইবা, মচা নুপা হাৎপীখ্রবা, য়ুম ইঙ্খোল তাঙ্গৈাই ওলহনবীখ্রবশিংনদি তাবা পাম্লরোই। হৌজিক পামলিবসি লমন খুম্বনি। অৱা অনা নঙলবশিংগী ৱাকৎসি ঐখোয়না তাবখক নত্তনা ইরমদম কন্নবা লান্থেংদা ৱাৎলিবসি করিনো খঙনা পোরম য়াৎপীবনা চুমগনি খঞ্জে। হৌজিক থেমজিনগদবা মতম নৎত্রমাল্লে খল্লি। মীগীদি অশানবা মীৎয়েং পান্দম অমগা লোয়ননা লান্দারক্লগা ঐখোয়না স্বাইদা শান্তিগী পাউজেল পীবা মতম ওইদ্রে। ফিভম শোক্লবা মফম অমদি অৱা অনা তারিবশিংগা হকথেংননা অমুক্তং উন্নবীয়ু। লানফমদা চঙলগা য়েংলুসি । নার্কো টেরোরিষ্ট হায়না লাওথোকখ্রবনিনা লান্থেংনহৌসি নৎত্রগদি লমদমসিদা য়েলহৌমী মুৎখ্রগনি।

- *মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

# অকংবা অঙাংবা গুলাপ -২০

অয়ূক্তু কমাই তৌরিনো খঙদে, মীকপ ঙন্তানা থোকই। ঐনা হেক হেক হৌগৎপসি ঙল্লবদা পুং ৬.৩০/৭তি তাবনি, নুমিৎতুমদি পুং ৪.৩০ তারকপদুদা মীকপ থোক্লে। ঙল্লি হায়দুনা হিপচিনবনি, অদুবু মীৎ উইশিল্লু য়াদে, হেন্না হেন্নদুম মীৎ শিংগৎলকখি। অদুম হৌগৎলে, ঐনা হৌগৎপদু মেমীদি খঙইজাৎ ওইরে। ঐনা মাই মীৎকা তারুরগা খোঙ্গ্রাও ফুরিৎ শেৎচিল্লিঙৈ তাঞ্জাদুদা, মেমীনা ফৈজুপ মনুংদগী হায়রকই।

"কাইদনো?"

"চিকন লৈরুগে তৌনি?"

"ঙল্লি থোঙ হাংলমখিরোই। কৈনো মীশিংসি তূম্বগা য়াদ্রজাৎলা, মস্মিঙৈসিদা থবক ফগৎলকইদা"। মাগী ৱাদুদা ঐ বিৎকা পুমতেক তেকই। খুমদ্রে। খোঙগ্রাওদু চ্যেন চিংখৎলগা, ফম্মাংদা থারিবা চ্যেরদুদা ফমথৈ। ঐগী ইতৌদুদা ফৈজুপ্তু মমায়দং ফাৎলগা চিংখৎলগা হিপ্লিবী মেমীনা, থিক-থিক নোকপদু মখোন তাই। ঐনা হায়রপ য়েংশিল্লম্মগা, হৌগৎলগা ৱা অমত্তা হায়রমদনা অদুম থোক্লক্লে। মেমীদি ফমুংদগী লাওহৌরি।

"হৌজিকপু কনাগী দুকান হাংলমদৌরিনো। নোং ফাও ঙানফাৎত্রি, থৱায় য়াওখ্রেদকো"

ঐ তাশিন্নদনা অদুম থোক্লক্লগা, থোঙ্গাল লান্থোক্লে। সুম চৎলি। খোংনা ফনা শাংনা লাক্লে। ঐখোয়দুদগী কিলোমিটর মখায়মুক লাপ্পা চৎলগা লৈবা কৈথেল মচাদু য়ৌরম্মে। হায়গুল্লদনা চিকন য়োনবা দুকান অমা লৈবদু থোঙ লোল্লম্মী। কৈথেলসু মী অমত্তা ফল্লমদে, ইহাঙ হাঙলি। কৈথেল মতাইদা লৈবা হোটেলদুদা চঙলে। মী খরা ফল্লম্মী, চা থকপা, তন চাবা তৌরম্মী। ঐসু তল অমা পীয়ু হায়খ্রে। ঙাইনা ঙাইনা পাউ চে অমা লৈরম্বদু ফাক্তুনা পারি। তন চারে, চা থক্লে, কৈথেলদু মনা মশীং য়োনবা মী অনী অহুমদি লাক্লরে। ফনা কুইনা ফল্লগা চিকন য়োনবা দুকান্দু হাংবা ঙাইরে। পুং ৮ মুক তারকপদুদা উচিন নাচিন্না হাংলে, শেম শাবনে কৈনে পুঙ্খাই অমমুকসু ঙাইরে। অদুগা কেজি ২ লৌরগা হল্লক্লে। ঐনা চঙখিবদুদদি থোইবীগা মচানুপাদুগসু লাক্তুনা য়ূমদা লৈরম্মে। মাঙ্গোলদা ফল্লগা চা থক্লগা মেমীগা লৈরম্মী। ঐ কৌফমসু খঙদ্রে, হন্দোকপসু য়াদগুম তৌ। ইশাগী যূম্মক্তদা ঐ লমলানবা অমগুম মোলি মোলি নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরগা চঙলক্লে। মেমীনা হৌরকই।

"চা থক্লক্লব্রা"

"থক্লক্লে হোটেলদা"

"য়ূমগী চাবুদি হোটেলনা হেন্না হাওরবনিনে? নোং ঙানবা ঙাইবা ঙমদে, মস্মীঙৈদগী চিকন লৈরুনি হায়না থোকখ্রগা, হৌজিক পুং ৯ তারকানসিদা হল্লক্লিসিবু হোটেলদা চা গ্লাসতুমা থক্লগা কনা ঙাইরুরিনো?"

ঐ খুস্ফম হেক খঙখিদদনা, লকক লেপ্পলম্মগা ইমুংদা অদুম গোরোং গোরোং চঙলে। ঐনা হেক চঙখিবগা, থোইবীগা মেমীগা পূন্না নোকখিবগী মখোল তাই। ঐ ইমুংদুদা ইথন্তা নারুমসিদা হুমাং কাংলকই। তৌফম খঙদদুনা চাকশঙদা চিকন অশেম্বদু থম্মগা ঐগী কাদা চঙলক্লগা অমুক ফমদুনা লৈরে। কয়া কুইনা ফম্লুরবনো খঙদে, মপান্দগী মেমীনা লাওরকই।

"হো চা লৈরে। থোইবীনা লাক্লগা লোল্লরিনি, হাওগদ্রা হাওরোইদ্রা খঙদে, চাসি ঈংখ্রনি, থোকপীরকও"। ঐ হোইসু মাইসু হায়দে তূমিন তারম্মগা, অদুম থোক্লক্লে। চাদু পায়রগা অনীরক চিংবদা ঙাইরি। নোখি নোখি মেমীনা হংলকই।

"হাওত্রবরা?"

"হাওইদা"

"থুমদ্রো?"

"থুম্মী"

"ইহে কাউইনে থোইবী, মাদি দাইবেটিস লৈবদগী অথুম্বা অমত্তা চাদবনি। অথুম্বসি থকচিনখ্রেনে"

"কৈসু কাইদেদা নোংফাদোক থকপবু" থোইবীনা হায়খিবনি। ঐ চাদু লৈমায়দা থম্মগা মপানলোমদা অমুক তূমিন থোরক্লে।

"চৎপীখ্রনু, মৈ থাগৎপীনবা তৌবীরো। মরোই মপাংগকা শেল্লক্লগে, থেংখিনি"

"হোই হোই" ঐ অমুক হঞ্জিল্লক্লগা ইমুংদা চঙলগা খুদৈ হোংদোক্লগা থোংনবা হোৎনরি। থোইবীনা চাকখুমদা চাক থোংলি। মেমীনা মরোই মপাং শেমজিল্লি। থোইবীগী মচানুপাদুসু চনম মকু খোকপা য়াওরি।

"ইবুংঙো" মেমীনা থোইবীগী মচানুপাদুদা ৱারী শারি।

"মমা"

"করি হায়না কৌগদবনো খঙদে, পাবুং কৌরগে নঙনা কৌনীংবা অমা হেক্তা কৌ"

"পাবুং কৌগে" থোইবীসু মচাগী ৱাদুদা নোকফেৎ তৌই। ঐঙোন্দা ওইনা মমিৎতুনা য়েংলকই। ঐদি শোমদা থাও মুল্লকপগী তেজপতা মনাদু 'জৌ' লাওনা থাদরি। অশাবা থাওনা খিত্তং চোংলকপদা খুদাংদা চোংই, অশাবা ফাওদুনা ঐ খংপ্রেক খংই। ঐগী নুপী মেমীনা নোক্লা নোক্লা মখা শমথৈ।

"থাও চোংনি, ইফিং ফিংগনু, নশাদু ইঙাও ঙাওবদৌনা তৌরিদুবু কৈদৌরিনো? হাওনা থোংউকো, শোই লাক্কনি"

ঐ মোইগী ৱারীদুদগা ৱাহৈ অমা অনী ফাওবা য়েৎপা ঙমদে, মরোই মপাং 'জি জা জি জা' ঙৌরি। কন্না থোংবা লাক্লরি। হাওনা থোংঙু হায়দুদা শোয়বা য়াদে হায়দনা কন্না হোৎনরি।

"পাবুং সে" থোইবীগী মচানা অশুবা চনমদু লানশিল্লকই।

"য়ারে য়ারে" ... ঐনা লৌরগা খাংদা হাপচিল্লি। উচিন নাচিন্না থোংবা লোইশিল্লগা চানবা থৌরাং তৌরি। ঐদি হুমাংনে কৈনে, মৈদু মুখুৎলগা, মচি অমদা তূমিন ফমদুনা লৈরি। থোইবীগা মেমীগা চঙদুনা চাক কন্না থিরি।

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

# ঈমায়দা থাজগী মমি

য়েন্নীংথা চঙলকপসিদা। ঙসিগী নুমিদাংৱাইরমসিদা। অমম-অঙান শিন্নবা মতমসিদা। শিৎলিবা নুংশিৎনা হৈনম লৈনম পুদুনা মরোল লোনবা মীৎকুপসিদা। মমায় ইপাক পাক্লা থাজনা মালেম লৈমাই নক্লা, য়াম্না নক্লা, থোকপা উই। মোমোন মোমোন নোক্তুনা। উবদা খল্লুই- হাইস করিনো। ঙকখ্রেদকো। ফজখ্রেদকো তাইবঙপানসে।

ইশাসি ইতাও তাওই। মালেম লৈশাগা শম্নদবগুম। ঙরাংগা ঙসিগা হয়েংগা অমত্তা শম্নদবগুম তৌই। করিনো ঐনা তৌরিসিবু? মীৎকুপ অমগী মমাঙদা অসুক ফজরমখ্রবা তাইবঙপানসি অমুবা লৈচিল অমনা খনজিনখিগদৌরব্রা করিনো?

তান কায়না শকখঙদবা উচেক অমনা খোঙলকপা তাই। মফমসিদবু। মীৎকুপসিদবু। খৎ খৎ লাওবা লৈচিল মফোল খরসু থাজবু তান্নবা উরকই। থাজনা চেনবা উই। মমায় লুকথদুনা। মফি মরোল শেমজিন তাশিন্না।

'উম। য়াররোই। নঙ নশাসি নশানা খঙজদ্রে। অদুননি', খোঞ্জেল অমনা হায়রকই।

'ঐ ইশাসি ইশানা থাজদ্রে হায়বা', ঐনা খুম্মী খোঞ্জেলগী মায়কৈ থিনা থিনা।

ঙাইহাক লৈরগদি ঐনা উই মায়পাকপীদো ফনা য়াম্না হায়গৎলম্মে। খল্লি - নুমিৎ থাসি মফম চানা থোকই। থৱাম্নীচাক অমতসু নোংমতা চোইত্রি চোইখৎতে।

পুখ্রিসিগী ঈয়াইদা থাজগী মমি লঙনা তারি। থরো খরসু শাৎলি। ঈংনা চিক্লা। য়েৎশিন্নদনা। থরোসু মতিং লৈনা। থাজসু মতিং লৈনা।

'নঙদি ঐগী ইমি য়েংদনা লৈরবরা? নশাদু নুংশি তিন্না চিক্লে খঙজদবমখৈ।'

'থাজ নঙগী ওইরে ঐনা ঙসাইমখৈ খোঞ্জেল অমা তারিবসি। মায়কৈ লেপ্লবা হোৎনরিবসি। নঙদি ইনক হেক নক্লা লৈরল্লে। থাজ নঙসু তাও। ঐগী য়েন্নিংথাগী ঈশৈসিবু থনুংদা অসুম কংখ্রগদরা? ঐগীসি থম্মোয়গী মীৎয়েংনি হায়সি মা অদুম খঙলমগনি। অদুদি করি কায় থম্মোয়গী ৱাহং অমখক মঙোন্দা হংবদা। হোইসু হায়সনু মাইসু হায়সনু। থনুংদদি নিন্দুনা লৈত্রেদনা। মৈচাক ওইনা।'

'করিগী কংগদৌরিবনো? ফোঙদোকউ। ৱাখলদা হিংগনু।'

'হয়েংদি হেক্তা মফোঙদোক্লগে।'

'হয়েং করিগী ঙাইগদৌরিবনো? ঙসিমক ফোঙদোকউ। ঙসিমক নত্তে হৌজিকমক হেক্তা ফোঙদোকউ।'

'হৌজিক্তি থেংমল্লদ্রা? অমম-অঙান শিন্নখিবা ফনা কুইরে। মতম চাদে হায়রক্লোইদ্রা?'

'মতম চাবা চাদবা হায়বমা শুংলৈ লৈতে। হয়েং হায়বা নুমিৎ অমা শুংলৈ লৈতে। অওইবা অশেংবা হায়সি ঙসি হায়বসিতনি হৌজিক হায়বসিতনি। ঙরাং হায়বসি শিখ্রবনি। হয়েং হায়বসিনা পোক্ত্রিবনি। মী ওইনি লাই ওইনি খঙদ্রিবা।'

'ফরে অদুদি। ফোনদা কৌথোক্লগে। ঙাইহাক্তা থোক্লকউ কৌরগা হেক্তা হায়রগে।'

'ফৈ। অদুনিদনা নুপা হায়সিদি। ঈশৈবু য়ারক্তা অদুম ঙঙদুনা লৈবা হৌনব্রা? শক্তোকউ। মকা লাম্না শক্তোকউ। য়াইবী মরু ফুক্লা শক্তোকউ। কৌনি হায়দু কৌরো। ঐসু তাগে।'

'নুংশিবা হায়সিবু মফম মতম লৈরোইদ্রা? ঐবু ঙাওইদি হায়রোইকো।'

'নঙগী হৌনবী হন্না হন্না ঙাঙদুনা লৈরগেরা? নঙ মাবু নুংশি হায়বদাই। নুংশিরগা করি মফম মতমনো। হৌজিকমক হায়গদবনি। হৌজিকমক ফোঙদোক্কদবনি। নঙনা নচিল কাংদবতা ঙায়রবনি। নহালনা নমায় নমীৎনা ৱাঙাং শাঙাংনা ফোঙদোক্তুনা লোইরবনি। মী হায়বসিদি মীৎয়েং অমদা খঙনবনি। সে সে নুংশিবা হায়দুদি ঈংনা চিক্লা ঈয়াইদা তারিবা থাজ ঐগী ইমিগুম লৈগদবা নত্তে। নুংশিবা হায়বদি নঙনা নুংশিরিবা মীগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা মখূৎ পায়দুনা লৌনসি-লৈনসি হায়গদবনি। নুংশিবা হায়দি নক্লবনি। লোন্দিন্নবনি। ফমদিন্নবনি। মফম মতমগী ৱা লৈতে। ঙাওবা ঙাওদবগী মফম লৈতে। নঙদি হান্না ঙাওরবনি। নুংশিবা হায়সি অঙাওবনি।'

'ফরে কৌরগে। হৌজিকমক ফোঙদোক্লগে।'

'হোই অদুনিদনা। কান্নদবদা ঈয়াইদা তাবা থাজগী মমি য়েংদুনা লৈ। মসি নঙগী য়েক্লবনি। নূঙদুম মচাসিনা থাদুনা মমিসি চাইথোকহনখো।'

**-কাংজম রাধাকুমার**
**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক**
**'আ!! থম্মোয় লকানুংদগী' দগী লৌখৎচবা)**